
থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মতম চাবা/চাদবা, মতম মাঙবা/মাঙদবা ...



থবক অমা তৌবদা মতম-চানা হৌবা অমসুং পাঙথোকপা হায়বসি থবক অদু মায় পাক্লবগী অচৌবা মরম অমনি। ফাদর ওফ দ নেসন 'মহাত্মা গান্ধী'সু মতম ঙাকপদা চাং নাইবগীদমক মমিং চৎখি। মহাক্কী মমিং চৎলবা ৱাহায়নি ... 'পোৎ খুদিংমকপু মমল লৈনা লৌগদবনি, চাক মরূ অমত্তা মাঙহন্দনা চাবা হৈবদুনি মশা ফবা ... ইননবা চেজেৎসু চেথী ওইনা মাঙহনবগী হৈনবী লৈবা মীদুনা লাইরিক হৈবা হৌনদে, মতৌ অদুগুম' মতম মাঙহনবগী হৈনবী লৈরবা মীদুসু মপুন্সিদা মায় পাক্লরোইদবা মীশকনি'...। মতমগী মমল খঙবা মীগী ৱারী মশীং খঙদনা লৈ। মপানগী মী অফাওবদুগী ৱারী নত্তবা ঐখোয় শ্বায়গীসু য়াম্না লৈ। খুদম ওইনা, ঐনা কাউবা ঙমদবা থৌদোক অমত্তগী ৱারী লীজগে। মণিপুরগী গভর্ণর অমনা (চিন্তামনি পানিগ্রহি ওইরমাল্লে) জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিদা য়েংগদবা/য়েংখিবা দ্রামা অমগী ৱারীনি। লেপখিবা মতম চপ চানা হৌবদা মমিং চৎলিবা কোরস রিপর্টোরি থিয়েটরগী রতন থিয়ামগী প্লে 'চক্রব্যূহ' য়াওনা মহাভারতকী দ্রামা অহুম উৎকদবদুগী অহৌবা নুমিৎনি। লীলা হৌবই পুংফম য়ৌর'ফাও গভর্ণরদি য়ৌরক্ত্রে। শোয়দনা লাক্কদৌ' লৈরবদু ওজা রতন'না ঙাইখিদে। লীলা হৌখ্রবা তুং, অমম্বা ওদিটোরিয়মদুদা গভর্ণর'না মার-মারগা চঙলক্তুনা ফমখিবা থৌদোক্তুমদি পাক্লা কাউবা ঙমগদবা মান্দে। ঐখোয়গুম্বা অমনা ঙম্লরোইদবা থবকনি। অদুনবু ফাওরিবনিদনা 'রতন থিয়াম' হায়না মালেমদা।

মতম অমসুং ঈচেলনা কনাবুসু ঙাইবীদে... হৌখ্রবা মতম হায়বসি অমুক হল্লক্লরোইদবনি ... ঙসি হায়বসি ঙরাংগী হয়েংনি, কনানসু হয়েং য়ৌনা পুন্সিদে ... হয়েং হায়বসি কৈদৌঙৈদা লাক্লরোইদবা মতম অমনি ... অসিনচিংবা ৱাহৈ/ৱাহায় কয়া অমসু লৈ, মতমগী মশক তাক্লবা। মতম লীক্লা শীজিন্নবা, নৎত্রগা মতম অরেম্বদা মাঙহন্দবা হায়বসিসু মায় পাকপা মী অমা ওইনবা য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি, তাকপীরকই ওজাশিংনা। চাউরক শাংলক্তুনা লাইরিক পাবই হৈনবী থল্লুঙৈ অফাওবা মখল অমা অমুক থেংনরকই। 'মতম হায়বসি শুকলৈ লৈতবা, মীওইবগী ৱাখলনা শাজিল্লগা শেমগৎপা, শোকলু'-থেংলু'-য়াদবা পোৎশক অমনি' ... মখোয়না অমুক হায়রকই। শোক্লবসু য়াদবা, থেংলুবসু ঙমদবা পোৎশক অমগী মশক লেপ্পবা হোৎনবা অরায়বা থবক নত্তে। ঈশ্বরগী মশক-মতৌ লেপ্পবা হোৎনরুবগুম্বনি। কনাগুম্বনা হায় - নুমিৎ, থা, মালেম, থৱান্মীচাক পূম্নমক মতম কৌবা লেপ্পুনা উংলিবা কাংখোঙ অদুদা তোংলদুনা উংলিবনি। অমনা অমুক হায়রকই - থানা মালেমসিগী অকোয়বদা উংলিবা অমদি মালেমসিনা অমুক অতোপ্পা গ্রহ নিপানগা লোয়নয়না নুমিৎ কৌবা মৈবুলসিগী অকোয়বদা উংলদুনা লৈরিবনি। নুমিৎ-থা-মালেম অহুমগী লৈনবা খোঙচৎকী মরী অদু য়েংলগা মতম কৌবা শকউদবা পোৎশক অসি শেম্লগা, অমুক শিংকুপ শানা থুগায়রকপনি - সেকেন্দ, মিনট, পুং, নোংমা, চয়োল, থা, চহী ... অসিনচিংবা। মালেমগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা মীওইশিংনা শেমগৎলকপা মতমগী শক্লোন অসি মালেমগী মফম অতৈদা য়ৌদিঙৈ মান্নদবা শক্লোন অমমম মফম খুদিং লৈরম্মী। য়ুথক অমা, য়ুথক অনী ... অহুম-মরি-মঙা হায়দুনা তাঙ্কক তাঙ্কক খায়দোক্লম্বদগী নুমিৎনা চীংখৈগী অতিয়াদা থোরক্লগা য়ূমদা তাহল্লকপা মমি অদুগী মতুংইন্না উখোক-তেন য়ৌবা, কোকতোন লোম্বা, চীংয়া থাংবা হায়বনচিংবা ৱাহৈ কয়ানা মতমগী মহুৎ শিল্লম্মী। ঘড়ী/ৱাটচ/ক্লোক'নচিংবা থোক্লকখি। গ্রেগোরিয়ান ক্যালেন্দর লৈত্রিঙৈ চহী অমদা থা তরানিথোই নত্তবা থা তরাখক্তনা শাবা মতম অমা লৈরম্মী। থা অমগী নুমিৎ মশীং কক্লমদে। নোংমদা থবান অনী ওইরকপা, নৎত্রগা থবান অমখক্লা নুমিৎ অনীদা য়েন্থোরকপা, থা অমখক্তুবু অমাঙবা থা অশেংবা থা হায়দুনা অনী শুহনবা ... অসিনচিংবা থৌবাংসিনা, হৌজিকসু মতমগী অকক্লবা মশক অমা লৈত্রি হায়বই খুদম-চাংদমনি। হয়েং কনাগুম্বা অমনা পুং-নুমিৎ-চয়োল-থা মশীং হন্থহল্লকপা নৎত্রগা হেনগৎহল্লকপসু য়ারিবনি।

ঙসি, ঐনা মতমগী পাউদম অমা তমজরিবা ৱারম অমখক্কীনি - মতম চাবা নৎত্রগা চাদবা হায়বা ৱাফম অসিদগী। রোবিন শর্ম্মা, লীদরসিপ গুরুদু'না হায়... নহাক্লা থবক অমা চৎপদা, মফমদুদা, মতম চানা য়ৌবা ঙমদ্রবা, পুংফমদুদগী মাঙওইননা, ঙনখৎনা য়ৌননবা হোৎনবীয়ু'...। সেক্সপিয়রনা হায়রম্বা ৱানি হায়বা অমসু তাখি ... 'হায়নখিবা পুংফমদুদা মিনট অমা চোন্থনা থুংলুদৌ শরুক, পুং অহুম ঙনখৎনা থুংলুবদুনা শরুক চাম্মা হেন্না ফৈ' ...। অদুবু মদু ঐহাক য়ানীংখিদে - পুং অহুম ঙনখৎনা য়ৌরুবদুদি মতম মাঙহনবা কৌদবরা?

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# নোংথী নোংমংবদা হকচাং থীন্দোকপা

'অঙাংশা নোং চুদোরেহে হকচাং থীন্দোকই'- ৱাহৈ অসি অহলশিংনা হায়বা তারল্লগনি। অশেংবসুনি নোংথী নোংমংবা মতমদা হকচাং চীকপা নাবা, থীন্দোকপা হায়বসি তশেংনা থোকপা থৌওং অমনি। থৌওং অসিগী মতাংদা নৈনমিন্নসি।

হীরম অসিগী মতাংদা চথুখিবা ষ্টদি অমদা আর্থ্রাইটিস অমদি ক্রোনিক পেন থোকহনবা অতৈ লাইওংশিং নাবা মীওইশিংদা নোংথী নোংমংবা মতমদা চীকপা নাবা অদু হেনগৎহল্লি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ মেঞ্চেষ্টরগী সাইন্টিষ্টশিংনা চথুখিবা অনৌবা ষ্টদি অমদা নোংথী-নোংমংবা হায়বদি ঈশিং মনিল য়াওবা, নুংশিৎ শীৎপগা লোয়নয়না এটমোস্ফিয়রিক প্রেসর নেম্বা ৱেদরগা হকচাংদা মতম কুইনদগী লৈরক্লবা অনাবা (ক্রোনিক পেইন) গা লৈনবা মরীগী মরমদা খঙবা ঙমখ্রে।

'ক্লাউদি ৱিদ এ চাঞ্চ ওফ পেইন' হায়না মিংথোনবা ষ্টদি অদু এন পি জে দিজিটেল মেদিসিন জর্নেলদসু ফোঙলকখ্রে।

নোং নুংশিৎকী ফিভমনা আর্থ্রাইটিস নাবা মীওইশিংগী লায়না অদুগী লাইওংশিংদা এফেক্ট তৌই হায়না ঙল্লিঙৈ মতমদগী থাজদুনা লাক্লবনি হায়না ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ মেঞ্চেষ্টগী সেন্টর ফোর ইপিদেমিওলোজি ভর্সস আর্থ্রাইটিসকী দিরেক্টরসু ওইরিবা প্রো. ৱিল দিক্সননা ফোঙদোকখি। আর্থ্রাইটিসনা নারবা মীওইশিংগী শরূক ৪ থোকপগী ৩না নোংথী নোংমংবনা মখোয়গী অনাবা হেনগৎহল্লি হায়না থাজনৈ হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

চথুখিবা ষ্টদি অদুদা য়ু কেগী মফম কয়াদগী মীওই ১৩,০০০ হেনবদা চথুখিবনি। অদুবু ফাইনেল দেটাসেটতি থা ৬ লোম নুংতিগী লেপ্পুনা শরূক য়াখিবা পার্টিসিপেন্ট ২,৬৫৮ দগী লৌখি।

পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী ফাইব্রোমাইয়ালজিয়া, মাইগ্রেন নৎত্রগনা ন্যুরোপেথিগুম্বা অতোপ্পা ক্রোনিক পেইনগা মরী লৈনবা লায়নাশিং লৈবা য়াওরগসু আর্থ্রাইটিস নাবা মীওইশিংগী মশিংনা হেনখি।

রিছার্সরশিং অদুনা দেটাশিং অদুনা মখোয়গী ষ্টদি অদুগীদমক্তা তোঙান্না শাবা স্মার্টফোন এপ অমগী মতেংনা খোমগৎখি। পার্টিসিপেন্টশিং অদুনা মখোয়দা ফাওবা অনাবগী চাং অদু এপ অদুগী খুত্থাংদগী নুংতিগী রিপোর্ট তৌরম্মী, অদুগা এপ অদুনা ফোনগী জি পি এস শীজিন্নদুনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুনা লৈরিবা মফমশিং অদুগী ৱেদর রেকোর্দ তৌরম্মী।

প্রো. দিক্সননা হায়, 'এনালাইসিস অদুনা উৎলি মদুদি, হকচাংদা চীকপা নাবা অমদি হকচাং থীন্দোকপগী চাং অসি ইচম চম্বা নুমিৎ অমদগী নোংথি নোংমংবা নুমিৎতনা শরূক ২০ লোম হেল্লি। হায়বদি ইচম চম্বা নুমিৎ অমদা হকচাং থীন্দোকপা অমদি চীকপা-নাবা ফাওরকপা য়াবগী চাং চামগী মনুংদা ৫ ওইরবদি নোংথী নোংমংবা নুমিত্তনা চামগী মনুংদা ৬ ওইগনি।'

ষ্টদি অদুগী দেটাশিং অদুনা তশেংনা নোং চুবগদি হকচাং থীন্দোকপগা মরী লৈনদে হায়না উৎলি। মসিগা চপ মান্ননা, হকচাং থীন্দোকপা অদুগা অইং-অশা মথন্তগদি মরী লৈনদে হায়নসু রিছার্সরশিং অদুনা খঙখি।

অদুবু অসিগুম্বা নোংথী নোংমংবা মতমদা হকচাং থীন্দোকপা অদুদি টেম্পরেচরনা মরম ওইরগা অনাবা অদু হেঞ্জিলহল্লি। পার্টিসিপেন্টশিং অদুনা নোংথী নোংমংবা নুমিৎতা হকচাং থীন্দোকপা অদু নুমিৎ অদু ইংলগনা অনাবা অদু হেঞ্জিল্লি হায়না রিপোর্ট তৌনরকখি।

প্রো. দিক্সননা হায়খি মদুদি, ষ্টদিগী ফাইন্দিং অদুনা মরম ওইরগা মেটিওরোলোজিষ্টশিংনা নুংশিৎকী ক্বালিটি প্রোজেক্ট তৌবগা লোয়নয়না হকচাং থীন্দোকপা অমদি চীকপা নাবগীসু ফোরকাষ্ট তৌবা ঙমহল্লগনি, মসিনা ক্রোনিক পেইনগী খুদোংচাদবা লৈবা মীওইশিংনা অৱাবা থবকশিং হকচাং থীন্দোক্লোইদবা মতমদা তৌহৌবা য়াহনবদা মতেং পাংলগনি।

ৱাফম অসি অপীকপা ৱাফম নত্তে হায়না পল্লদুনা এদভোকেসি ওর্গনাইজেসন ভর্সস আর্থ্রাইটিসকী পি ঐচ দি ষ্টেফেন সিম্পসননা হায়খি, য়ু কেদা লৈরিবা আর্থ্রাইটিসনা নারবা মীওই মিল্লিয়ন ১০গী মনুংদা তঞ্জায়মুক্তি চীকপা নাবদুনা মরম ওইরগা নুমিৎ খুদিংগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নে। অদুবু হেল্থ সিষ্টেম অসিনা অসিগুম্বা আর্থ্রাইটিসনা নারবা মীওইশিং অসিবু মশক থোক্লা মতেং পাংনবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরূ ওইনা লৌবা লৈত্রি।

মসিনা মরম ওইরগা আর্থ্রাইটিসনা নারবা মীওইশিংগীদি মশা-মশানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎচবা হায়বসিখক্তনা থবক ফজনা তৌবা ঙম্নবা, খুন্নাইগী মীওইশিংগা থোং মান্ননা হিংবা ঙম্নবগীদমক অমত্তা ঙায়রবা পাম্বে ওইরি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

ষ্টদি অদুগী পার্টিসিপেন্ট অমা ওইখিবা কেরোলিন গেম্বল কৌবী নুপী অমনা অনৌবা ৱাফম অসি তাবদা নুংঙাইবা ফোঙদোরকখি। মহাক এঙ্কলোসিং স্পোন্দলাইটস কৌবা আর্থ্রাইটিস মখল অমগা লোয়নয়না হিংলিবীনি। মহাক্লা হায়খি, মীওই কয়া অমা ক্রোনিক ওইবা অনাবা অসিনা মরম ওইরগা মখোয়গী থবক থৌরমশিং, ইমুং মনুংগী পুন্সি অমদি মেন্টেল হেল্থতা খুদোংচাদবা থেংনদুনা হিংলি। চীকপা-নাবা ফনবগীদমক খ্বাইদগী ফবা কাঙলোনশিং ঙাক্লগসু ঐখোয়দা চীকপা নাবাগী অৱাবা অসি নুমিৎ খুদিংগী থেংনরি। ষ্টদি অসিগী ফাইন্দিংশিং অসি খঙলবা মতুংসিদদি অসুম্না নোংথি নোংমংবা মতমদা নারকপা অসি ঐখোয়না থিংবা ঙম্বা নত্তে, মসি ঐখোয়না করিগুম্বা অমা তৌরুবগী নৎত্রগনা মী অতৈনা তৌনদবা অমা তৌরুবগী নাবা নত্তে হায়বসি ঐখোয় ইশানা খঙজরে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

প্রো. দিক্সননা থাজে, নৌনা থিজিনবদগী ফংলক্লিবা ইনর্ফোমেসনশিং অসিনা চীকপা নাবগী মরমদা থিজিল্লবা থিজিল্লোয়শিংদা কান্নবা অমা ওইরগনি।

# চিলদ্রেন্স দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) :
আই আর দি ঈ ও, ৱাংবলগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি চিলদ্রেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর থৌবাল এ কামেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট থৌবাল এল রাধাকান্তনা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখি। সিনিয়র সিটিজন ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. এম রাজেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট, দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর, থৌবাল এ কামেশ্বর অমদি আই আর দি ঈ ও হায় স্কুলগী প্রিন্সিপাল টি ঐচ ভঘিরটনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অঙাংশিংগী ওইবা প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখি। হোপ হোম, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিংগী অঙাংশিং অমদি আই আর দি ঈ ও স্কুলগী অঙাংশিংনা গ্রুপ সোং, গ্রুপ দান্স অমদি সোলো সোং খুদোল তমখি। ৱাঙাংলোয়শিংনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা জৱাহরলাল নেহরুনা অঙাংশিংগীদমক হোৎনরম্বা কয়া শিংথারদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। মতিক চাবা সিটিজন অমা ওইবা ঙম্নবগীদমক শেমগৎনবা ৱাফম কয়াসু থমখি। থৌরমদুদা অঙাং ২০০ হেনবনা শরুক য়াখি হায়রি।

TOM CABLE

JOB VACANCY

TOM TV CABLE NETWORKING SERVICE, A Unit of Lamjingba Group is urgently looking for the following post on regular basis:-

| Sl. No. | Name of the Post | Educational Qualification | Age | No. of Posts | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| 01 | Accountant | Graduation in B.com / MBA Finance Desirable: - Experienced of 0-2 yrs. in Account Handling, Accounting Book Keeping. | 20yrs to 35 yrs. | 01(One) | 8k-10k |
| 02 | Cashier | Graduation Desirable: - Experienced of 0-2 yrs. in billing and daily, weekly, monthly transaction report making. | 20yrs to 35 yrs. | 01(One) | 6k-10k |

Interested candidates may visit along with the updated resume and latest 02(two) passport size photos to the Lamjingba Group Corporate Building, Nagamapal Rims Road near Nityainanda Temple, Imphal-795001 on or before 20th November,2019.

Interview Date: - 22nd to 23rd Nov, 2019
Timing: - 10 am to 3.30 pm
Contact: 7005784360

Sd/-
SUPERVISOR
TOM TV CABLE NETWORKING SERVICE

HL-P/5289/14-18

LAMJINGBA JEWELLERY
RECRUITMENT NOTICE

| | |
|---|---|
| DESIGNATION | JEWELLERY DESIGNER |
| SALARY PACKAGE | NEGOTIABLE |
| DEPARTMENT | LAMJINGBA JEWELLERY PVT. LTD. |

Leading Manufacturer and Export house based at Imphal Special Economic Zone is recruitingtalented Jewellery Designers.

KEY ROLE will include designing theme based jewellery in Silver, also identifying latest International Jewellery Trend. Candidates must be Creative, Committed and have a passion for designing.

REQUIRED CANDIDATE PROFILE
Creative, Original and an Out-of-the-box Thinker.
Hard Working; Go-getter with a passionate flair for work.
Keen eye for identifying international jewellery trends skilled at Manual Sketching, Corel Draw/CAD Software.
Any hands-on experience in production or knowledge of techniques will help.

ROLE: Jewellery Designer
INDUSTRY TYPE: Jewellery
FUNCTIONAL AREA: Fashion Designing, Merchandising.
EMPLOYMENT TYPE: Full Time, Permanent.
ROLE CATEGORY: Designer
UG: Any Graduate in any Specialization.

Interested candidates can submit their resume at: hr.christinakoijam@gmail.com
Contact: 9366679708, 8014738400
Office Address: Nagamapal Soram Leirak, Imphal
Date of Interview: 15 Nov - 30 Nov

HL-P/5289/14-18

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।১১।২০১৯ ইং, ইরাই,
হিয়াঙ্গৈগী ১৮ নি পানবা।

**মেষ :** অঙম্বনা চানগনি, অচুম্বনা মায় পাক্কনি, পাউ নুংঙাইবা তাগনি অমদি হুরানবনা মাঙহনবা ঙল্লোই। খরা থেংলপ্পা মরুপ-মপাংগী মতেং অমদি লন ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** অয়ুক্তদি অফবা খোঙশাল লৈগনি, শেল-থুম অমদি লল্লোন ইতিক্কী লম্দা চাওনা ময় পাক্কদবা লৈ। মীকোক থোংগনি, লৈঙাক্কী লম্দা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**মিথুন :** অয়ুক্তদি খন্থহৌদবনা চাদিং হেনবা নত্রগা কাইনবা নংবা য়াবা লৈ অদুবু থেংথরক্লগা য়াম্না ওইজবা ফংগনি, লেংদবা লন চাওখৎকনি। ৱা ঙাঙবদি লুই।
লৈশা পাখংশিংগী - হরাওবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কর্কট :** অয়ুক্তা মায় পাক্কনি, অনৌবা থৌরম পাংহৌবা কান্নগনি অমদি য়েৎনবা লৈরসু কোকচগনি। নথক থোংবনদি চানবীবা ৱাৎলি অদুনা অখঙ অহৈ শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

**সিংহ :** থেংলকলগা মীপাইরম্বা কোকনি অমদি শেল-থুমগী লম্দা মায় পাকলক্কনি। লৈঙাক্কী লম্দা নথক থোংবগা মরী ফবা ৱাৎকনি অমদি মীৱা লৌবনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কন্যা :** নুংথিলদা নীংবা থুংগনি, পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুমসু ফংবা য়ানা লৈরে। অদুবু অনম তানবনা লন ময়েং তাগনি অমদি নকন্থিনা মাঙহনজবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** ৱাঙাঙ হৈয়ু অমদি অশাওবা ফাথৌ। ৱানোম-থৌনোম কান্নবা ৱাৎকনি অমদি অরং-অরাক চেকশিল্লু। য়েৎনবা/অফা অপুনগী থবক্তদি শোইদনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনবনা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃশ্চিক :** অয়ুক্তা ৱাখল থোকপা অমদি মীচং খোম্বা য়াবা লৈগনি। লৌশিং চাওখৎপা অমদি নচা-ননাই ফংবা লৈগনি। অরানবনা মায় পাকলোই, মীতোপ থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি, লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি অমদি খন্থরগা পাংবা থবক অয়াম্বা মহয় য়ানগনি । লৈঙাক্কী লম্দা মীনা কিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**মকর :** থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, ইমুং-মনুংগী ৱা তাবনা কান্নবা হেনগনি অমদি অরুবা থবক লায়না পাংবা ঙমগনি। ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওগনি, মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কুম্ব :** লন ফংগনি, লৌশিং ফুদোকপা ঙমজগনি অমদি শেল-থুমগী থবক্তা চাওনা মায় পাক্কনি। হন্থবা লোয়নরদি চোপ্পা য়াবা লৈ অমদি মরুপ হেন্না থাজবা য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম মাঙবনা হেনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।


**মিন :** অয়ুক্তা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈগনি অমদি মীয়াম লোয়নবনা কান্নবা ফংবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অদুনা থৌয়াম পুগনু। খন্থরগা চাদিং তৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# মতম, সনা কৈথেল

তিংথৌনু





*Tingthounu is a visual art practitioner.*